## এডিটোরিয়েল

### জিরিবামনা খ্বাইদগী শোথবা দিষ্ট্রিক্ট ওইহনগদৌরিব্রা

*মণিপুরগী অসামগা তাইনবা লমখৈ অসি নৌনা শেমখিবা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট অসিনি। দিষ্ট্রিক্ট অসি নৌনা শেমখিবগী মতুং ইন্নদি ভেল্লি দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইননি হায়না লৌবসু য়াই। হায়রিবা দিষ্ট্রিক্ট অসি নৌনা শেমখিবা ফেরজোল অমসুং চুরাচান্দপুর অমদি তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টশিংগী মরক্তা ইয়ান–য়ানশিন্ননা মশাগী চপ চাবা বাউন্দরি খায়দোক্তনা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট অমগুম ঙসি ফাউবা লৈহল্লি। মসি মমাংগী লৈঙাক্লা খায়দোক্লম্বা দিষ্ট্রিক্টশিং অদুগী বাউন্দরিগী চয়েৎনবা কয়া অমা লৈ খংনা থল্লমবা অমা ওইরবসু অনৌবা দিষ্ট্রিক্টশিং ওইহল্লকপগী নুংঙাইবা অমদি মীয়ামদা ফাউরি। হৌজিক অনৌবা লৈঙাক্লা খ্বাইদগী হেন্না কোক চিক্লিবসু দিষ্ট্রিক্টশিং অসিগী বাউন্দরি হায়বদি লমখৈগী শরুক অসি য়াখোকপগী মতাং অসিনি। মসিদি দিষ্ট্রিক্টশিং অসিদা লৈরিবা মীয়ান্নসু হেন্না খংলবা ৱাফমনি। হৌজিক লাক্লিবা ৱাফম অমনা নৌনা শেমখ্রবা দিষ্ট্রিক্টশিং অসিগী মনূংদা মরুওইবা অমদি খ্বাইদগী তঙাইফদনা দিষ্ট্রিক্ট অমগী ওইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর পূম্বা লৈহন্নবা অহানবা ওইনা মীৎয়েং চংফম থোক্লিবা দিষ্ট্রিক্ট অমা খন্দোকপা হায়বসিনি। মসিদা ঙসিগী লৈঙাক্লা মীৎয়েং চংফম থোকপসি নেসনেল হায়ৱে ৩৭ হায়না খংনরম্বা ঙসিনা ইম্ফাল–জিরিবাম লম্বী অসিগী খ্বাইদগী তঙাইফদবা বোর্দরগী দিষ্ট্রিক্ট ওইরিবা জিরিবাম অসিনি হায়না লৌবা তাবনি। মফমসি মরুওইনা মণিপুর মীয়ামগী ওইনসু অনীশুবা লাইফলাইন অমনি হায়না মমাংদগী লৌদুনা লাকপা লম্বীগী শরুক অসিগী অহৌবনি। হায়বদি হায়রিবা নৌনা শেমখিবা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা চপ চাবা দিষ্ট্রিক্ট অমগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর অদু লৈহনফম থোকপনি। অসামগা তাইনরিবা ঙমখৈগী শরুক অসিদা তোঙান–তোঙানবা মণিপুরি নৎতবা মীওই কাংলূপ কয়া অমা লোন্না চংশিল্লক্তুনা খুন্দাবা য়াবগী ওইথোকপা লৈরিবনি। মসিগীদমক ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিং চংশিল্লকপা য়াদনবা চেক পোষ্ট থম্লে হায়রগসু মদুনা মতিকচাবা ওইরবরা হায়বসিমা লৈঙাক্লা য়েংশিনফম থোকই। মসিগী মথক্তা চুরাচান্দপুর লোমদগী আইন্না য়াদবা মওংগী য়ূম হোংলকপা মীওই কয়া অমসু চংশিল্লকপা য়াবা অকিবা অদুমক লৈ। মসি পূন্নমক অসি থিংনবা হোৎনবা হায়বসি লৈঙাক অসিগী মথৌনি। হৌজিক ফাউবগী ওইনা আইন্না য়াদবা মওংদা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা চংশিল্লকখিবা মীওইশিং খংদোক্লবা হোৎনবা হায়বসি অরাইবা থবক নৎতে। মসি মণিপুর পুলিসকী অচৌবা থৌদাং অমা লৌফম থোকই অমদি মদু থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনবদা জিরিবাম পুলিসকী মতিকচাবা অমদি থোইদোক্লা এক্সপিরিয়েন্স লৈরবা পর্সোনেলশিংগী মথৌ তাই। মসিগা লোয়ননা হেন্না খং–হৈরবা মশাগী মগুন অমদি শক্তি লৈরবা দি সি অমা লৈবগী তঙাইফদবসু লৈ হায়না লৌবা য়াই। মসিদা মতিক চাবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এস পি অমদি দি সি লৈজরবসু হায়রিবা মরু ওইবা ফোর্স অমদি দি সিগী ষ্টাফশিংগী মশিং অসি ঙসি ফাউবদি লৈত্রি হায়না লৌবা তাবনি। মরু ওইবা ওফিসিয়েলশিংগী ওইনদি তঙাইফদবা ষ্টেটকী পোলিসি অমদি এক্সন–টেকন রিপোর্টশিং অদু খন্ননবা দিষ্ট্রিক্ট অদুদগী ষ্টেট কেপিটেলদা চথোক–চৎশিন তৌবগী মথৌ তাবনা মখোয়গী মহুত্তা থৌ পুহৌগদবা অফবা মীওইশিং লৈবা তাবনি। মসিসু দিষ্ট্রিক্ট অদুদা মতিক চানা ষ্টেসন তৌরগা লৈরে হায়না লৌবা য়াদ্রি।*

*দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈরিবা লৈঙাক্কী ওফিসশিং অসিগী ইমপ্লোইশিং অসিগীসু মতম চানা মথৌ তৌরিব্রা হায়বদু য়েংশিনবগা লোয়ননা মখোয়গী পীফম থোকপা থাগী তলবশিং অদু পীথোক্লবা হোৎনবগী মথৌ তাই। খ্বাইদগী হেন্না তঙাই ফদবা অমা ওইরিবসি লো এন্দ ওর্দর অমদি হকশেলগী মরিলৈনবা থৌ পুরিবশিং অসিগী মথৌ তৌরিব্রা হায়বসি য়েংশিনবগা লোয়ননা মখোয়গী খূৎশুমলশিং অদু চাংনাইনা থা খুদিংগী পীথোকপগা লোয়ননা অফবা হোষ্পিটাল নৎত্রগা পুলিস ষ্টেসন অমা ওইহন্নবগীদমক অৱাৎপা মেনপৱারশিং অদু লৈহনবা হায়বসিনি। হিরম অসিদদি লৈঙাক্লা মীৎয়েং চংবগী থাক অসি ৱাৎপনা মরম ওইরগা লো এন্দ ওর্দর অমসুং হকশেলগী মতাংদা মীয়াম্না খুদোংচাদবা কয়া থেংনরি হায়না লৌবা য়াই। মসিগী অচৌবা খুদম অমা হায়বা তারগদি দিষ্ট্রিক্ট অদুগী হোস্পিতাল অদুদা মথৌ তৌরিবা ইমপ্লোইশিংগী থা ৬ কী তলব পীদবদগী হোষ্পিটাল থিংজনবগী খোংজং অমা লাক্লিবসিনি। মীওইবগী পূসিগা মরী লৈনবা থৌদোক ৱাথোক কয়াগা মরিলৈনবা লো এন্দ ওর্দর অমসু হোষ্পিটালগী অৱাৎপা মেন পৱার পীবা অমদি বোর্দরগী দিষ্ট্রিক্ট অসিদা মিৎকূপ–নাহুম শিংনা আইনগা মরিলৈনবা থবক কয়া পাংথোক্কদৌরিবা দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী ৱাৎলিবা মেনপৱার পীবগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী বোর্দরগী শরুক্তা পুলিস ষ্টেসনশিং অমদি আউট পোষ্টশিং হাংনবগীদমক মফম কয়া অমা শেমগৎপা হায়বসি য়াম্না তঙাইফদবা অমা ওইরবনি। মদু নৎত্রগদি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীয়াম্না ষ্টেটসিগী খ্বাইদগী মরু ওইবা বোর্দরগী শরুক অসি ঙাক–শেনবা মতমদা খ্বাইদগী শোথহৌবা অমা ওইরকপা য়াই। মরিলৈনবা মপূংওইবা লোইশংশিং অসিদা লৈঙাকসিনা লোইশংশিং অদুগী অৱাৎ–অপা কয়া অদু মেনখৎপগা লোয়ননা মফমদুদা মথৌ তৌজরিবশিংগী পীফম থোকপা থাগী তলবশিং অদুদি তঙাইফদনা পীথোকফম থোকই। মদু নৎত্রগদি জিরিবামবু মীরাইবীরবা দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইনা ইমপ্লোইশিং অমদি মীয়াম্না লৌবা হায়বসি শোয়দ্রবনি।*

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### থাগৎনিংঙাইনি

*ইকায় খুম্নজরিবা এডিটর,*

*মীওইবা পূন্নমক অচুম্বা পাম্মী। অচুম্বা পাম্বা মী অদুনা মশাগী ওইজবা থিরকপদা অরানবা তৌরকই। লাল্লি খঙলবসু ওইজবা পাম্বদগী শেঞ্জা থুমজা তৌরকই। শেঞ্জা থুমজা তৌরকপদগী মীয়াম্না পেন্নদবদগী ঈরাং হৌরকই মীশি–মীনা ফাউবা থোক্লককই। মীশিংনা নোংমা নোংমগী হেনগৎলকপা লমনদি চাওবা হেনগৎলক্তবনা, লৈফম চিন্নরকপদগী য়ূমলোন কৈরোন্নবগী ইখ্বোল অমগা ইখ্বোল অমগী মরক্তা খোংবান লৈনরম্বদু ঙসিদি লৈনরক্তরে। ইরম নালা খোপচিন্দুনা লম কনশিন্নখিবনা ঈশিং চেনফম লৈতবদগী খূৎশেমগী ঈচাও মফম অয়াম্বা মায়োক্লরে। পোকমিন্নবা মচিন মনাওফাওবা মপা মপুনা থম্বীরম্বা লৌরি য়ুম্ফম য়েন্নবদা ৱায়েনশঙ য়ৌনরে। লমগী ৱাথোক্তা পাকথোক চাওথোক্লক্তুনা ৱায়েলশঙ য়ৌনরকপা ৱাফমসিগী মরু ওইবা দায়ত্বদি লৌরুংশঙ* (Settement Dept.) *নি। মরমদি লমগী রেকোর্দ অমদি মেপ অসি লৌরুংশঙনা শেন্নবনিনা লম ওন্থোক ওনশিন তৌবসি লৌরুংশঙগী মথৌনি। লৌরুংশঙগী মীওইশিংনা থম্মোয় শেংনা থবক তৌরবদবু লমগী কেস লৈখিগদ্রা? মীগী লমদা হেনজিন্না দখল তৌরিবা কনানা লম ওনবীয়ু হায়রোই। মাগী মাগী পাট্টাদা অমদি মেপ্তা লৈরিবা রেকোর্দ অদু য়েংলগা নঙগীনা সিনি মাগীনা সিনি হায়দুনা ওন্থোকপীবদা কনানসু য়াদবা ঙল্লোই। য়াদ্রিবদো লাল্লবনি। অদুবু শেঞ্জা থুমজা তৌদুনা অচুম্বা নাথৈরগা রোকোর্দ ওন্থোক ওনশিন তৌরবদি ৱায়েনশঙদা ৱাকৎনরকপা তাবনি। ৱায়েনশঙদা অমুক ৱায়েনবদা কুম পুদুনা লোইবা নাইদদুনা উকিলশিংগী চাকথাক হুনবদা লৈজরম্বা লন থুম মাঙ তাক্লবদা শিবা কিদবা পোক্লক্তুনা মীহাৎ মীপূন য়াওনরক্লবদি লৈবাক অসিদা শন্তি লৈখিগদ্রা?*

*ইপা লাই ইপু লাইগী খুভম খুরাই অহোংপুঙ হায়বা ইপা ইপুনা থম্বীরম্বা লাইফম ফাওবা মীতোপ মীয়ানচাদা পাট্টা পানশিনবীদুনা পীথোকপা ঙম্বসিনদি অতৈ সাধারন মীওইদদি করি তৌরমগনি। ষ্টেটকী খাসলেন্দ শেঞ্জা থুমজা তৌদুনা পাট্টা পংপীদা পীবদগী ৱাথোক কয়া লেপ্তনা থোকপগী মনুংদা* Settlement Deptt. *গী* Official 4 *থবক্তগী* suspend *তৌখিবসি থাগৎনিংঙাইনি।*

অদোমগী

কে ঐচ সুরজ মীতৈ

# চেঙ্গুম্না ঐখোয়দা পীবা খুদোল

*সৈলেবম বিহারি*

**"চরুয়েন থাবা অরুবা থবক নত্তে। হৌজিক্তি মশরুম ফার্মরশিংনা অরাইবা মওংদা য়াম্না নাম্না থানরে। য়াম্না নাননা থাক-থাক নাইনা মশরুম বেদশিংদু থমদুনা অপিকপা লম অমদা য়াম্না নাম্না থাদুনা দ্রোইং রুমগী লৈতেং ওইন-ওইনা য়ুমগী চানবসু ওইবা অরেম্বনা য়োন্দুনা শেলসু ফংবা চরুয়েন খুথাসু থানরে।"**

চরুয়েন খুথা অমবু থাবা ঙমখ্রবদি মখল খুদিংমক থাবা ঙমগনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মমাংগী খূৎই খরদা চরুয়েন খূথা খরা ইজথ্রবা মতুংদা ময়াম্না দ্রোইং রুমদা নান্না থাবা য়াবা খূথা অমা য়েংবিসি।

চরু কেজি তরা ঈশিংদা কক্তবিদা মপুন থোক্তনা পুল্লপ্না পুং কুনমরী তিংলসি। ইঞ্চি ১২ পাকপা ইঞ্চি অমা থাবা উপাক্লা ইঞ্চি ৩০X৩০ গী স্কার ওইবা মথক মখা উপাক থাদবা উফম অমা শেন্লসি। চরু তিংবা মতমদা মহিক মতাং অমসুং কোকফাই শুজানচিংবা হাৎননবা হিদাক্লচিংবা হাপ্পসু ফৈ।

চরুশিংদু পূং ২৪ গী মতুংদা লৌখৎলগা মচুম শেংনা চাহনগনি। চরুদু মখা থংবা মখোক্তু খুদাপ অমা কন্না পায়সিল্লগা য়েংবদা মচুম তাদবা অদুগা খুবাক্তনা ঈশিং মরিক মরিক পকপা মতাং অদুদা চরুয়েন থাবা হৌবা য়ারে। খংজিনগদবা অমনা চরুদু হেন্না চোৎপসু য়াদে অদুগা কংমল্লবসু য়াদে। মোইচর কন্টেইন্ট চাদ ৬৫ গী চাংনা চরুদা চেঙ্গুম থাবগী মতম চপ চারে।

চরুয়েন থাগদৌরিবা মফম (প্লেৎ ফোর্ম) অদু নাকন অমদা খরা ঙমথবা ফৈ। মসিনা চরুদা য়াওরম্বা অহেনবা ঈশিং চুমথদুনা চাখি। চরুশিংদু শরুক মরী থোক্লা খায়দোক্লো। উফম অদু নাকন অমদা পৈথরপ তৌবা প্লেৎফোর্ম অমদা মফম চানা থম্লগা শরুক মরী থোক্লা খায়দোকখিবা অদু শরুক অমগী তঙ্খায় অমা লৌরগা উফমদুগী মনুংদা মকোক মমৈ মান্ননা থুংনবা চাং মান্ননা শন্দোক্কনি। লেমহৌরিবা তঙ্খায়দু উফম মনুংদা শন্দোক্লিবা চরুদুগী মমৈ মকোক ওন্ননা মখাগী অদুম্না শেমন্দোক্লগা খুবাক অনীনা থুংননবা কিৎ–কিৎ নমথগনি।

হৌজিক চরুয়েন মরু থারসি। গ্রাম ৩০০ গী পেকেৎ অমগী তংখায় অমা খায়দোক্লগা উফম মনুংদা শন্দোক্লিবা চরু অদুগী মতাইদগী ইঞ্চি অমা মখায়রোম লুথনা চেঙ্গুম মরু খূৎপিমুক চেংকুপ খরগা বেশোন খরগা নমশিনগনি। মপান অকোইবা মরু হাপ্লগা শুনু পাওদর খরা–খরা মপান অকোইবা চাইরবদি অসিন অয়াক্কি চাং কন্ট্রোল তৌদুনা পোখোক হেনগনি।

মসিগী মওং অসুন্না লেমহৌরিবা শরুক অহুমদুগী মনুংদা অমা খল্লগা তংখায় অমা ক্রোস ৱাইজদা হায়বদি কারন ওইনা মথক্কি অসুন্না শন্দোক্লগা অরেম্বা চরু তংখায় অদু মমৈ মকোক ওন্ননা শন্দোক্কনি। মথংদা থুংনবা খুবাক অনিনা কল্লপ্না নমথরগা মথক্কি অসুন্না মরু হাপ্পগা চেংকুপ অমসুং বেশোন হাপ্পগা শুনু পাওদর চাইগনি।

মথক্কি অসুন্না লেমহৌরিবা শরুক অনীদুসু চপ মান্ননা চখগনি। অরোইবদা ওইষ্টর মশরুম পেকেৎ অমা চাইশিল্লগা মথক্তা চেংকুপ বেশোন অমসুং শুনু পাওদর খরা চাইশিল্লগা অতিংবা চরু খরনা থুংনবা কুপ্লগা মথক্তা খরা কন্না নমথরবা মতুংদা উফমদু শত্তোকপা য়ারে। চেকশিনগদবদি উফমদু শৎকৎপদা চরুগী মরোলদু কায়হনবা য়াদে। মথক্কি অরোইবা ওইষ্টর মশরুমগী মরোল অসিদি হাপ্লবসু হাপত্রবসু য়াই। মখল অনী থোক্লা চেঙ্গুম হেকপগী খুদোংচাবা ফংই অদুগী খুদোংচাবা লৌবা য়াই হায়বগী ৱাতনি।

কৈথেলদা য়োনবা লম্লক্তা হৌবা চরুয়েন্দগী ইশানা ইয়ূমদা থাজবা চরুয়েন্না য়াম্না হেন্না ফৈ। মসিগী মরমদি লম্লক্তা হৌবা চেঙ্গুমদা চরুয়েনগা মশক চপ মান্নবা চেঙ্গুমদা হূ–চেনবা লৈ। করিগুম্বা মদু ওইরম্লবদি অসি–অনা নংবা য়াই। লমদমসিদা থানরিবা চেঙ্গুমশিংগী মরক্তসু অদুগা লমদমসিদা ফংবা লৈবাক্তা হৌবা চেঙ্গুমশিংগী মরক্তসু থোইদোক হেন্দোক্লা মহাও লৈবতা নত্তনা হকচাংদসু শিংথাবা য়ানা কান্নবা মচল মতিক চানা য়াওবা চরুয়েন্নি।

চেঙ্গুম থাবা তম্নবগীদমক নুমিৎ কয়ানি মতম মাংনা শেল তিংনা ট্রেইনিং য়াওনরি। খবর অমদা লুপা ৩.৬০ খক্তা পিবা থাগী লৌরগা লুপা চাম্ম খরতা হেনবা 'সনা লৈবাক' খবর অসি চাংনাইনা সবস্ক্রাইবর ওইদুনা পাবিয়ু ট্রেইনিংদা তম্বিদবা চেঙ্গুম খূথা মখল কয়া থেংনবিগনি। খুদম ওইনা লুপা লিশিং অমা ট্রেইনিং ফি পিরগা চেঙ্গুম থাবা অমসুং চেঙ্গুম মরু শেম্বগী ট্রেইনিং য়াওরুরবা এক্স–ট্রেইনি অমদা চরুয়েন থাবা তম্বিরকপ্রা, চরু নত্তবা লফু–মনা, উকুপ ৱাই নচিংবা অতৈ করি করি পোত্তা চেঙ্গুম থাবা তম্বিরকপগে হংবিয়ু। নুমিৎ ৩৬৫ নিগী মনুংদা ছুটি নোংমতা থমদবা চেফোং পুথোক্লিবা সনালৈবাক লমদমসিগী অমত্তা ঙাইরবা খবরসি চাং নাইনা পাবিরবদি চেঙ্গুমগী মরমদা ট্রেইনিংদা তমদবা তাংকক কয়া থেংনবিগনি।

য়ুনিভরসেল মশরুম ক্লব থাংমৈবন্দ নসু চয়োল খুদিংগী চেঙ্গুম থাবা অমসুং চেঙ্গুম মরু শেম্বগী ট্রেইনিং নুমিৎ হুন্নিগী লেপ্তননা পিরি। চেঙ্গুম থাবিনিংবশিংনা ইন্দিয়ান কাউন্সিল ফোর এগ্রিকলচরেল রিসার্স, সেন্ট্রেল এগ্রিকলচর য়ুনিভর্সিটি –ইরোইশেনবা, জিলা জিলাদা লৈবা কেভিকে নৎত্রগা এগ্রিকলচরগী ওফিস অমদা হেক্তা চেঙ্গুম নৎত্রগা চরুয়েন থানবা তান্নবা য়াগনি নৎত্রগা অইবগী মোবাইল নম্বর ৮৯৪৮৭০৮১০ দসু অকুপ্পা মরোল তান্নবিবা য়াগনি।

অরোইবদা হায়জগদবদি ইশানা য়ূমদা চরুয়েন থারগা শোইদা ঙামদনা হাওনা চাবিয়ু। চরুয়েন্দা চাওরাক্লা প্রোটিন, ফেৎ, ফাইবর, ইনরজি ভেল্যু অমসুং তাংলবা ভিটামিন মখল কয়া য়াওরিবনি।

# মতম মতমগী ইন্সাং–নাপীঃ তিলহৌ অমসুং চনম থাবা

**নবকিশ্বর ঙাংবম**

ঐখোয়না ঙসি থানরিবা তিলহৌ মখল অয়াম্বা মমিং অদু য়েংলগা মসিগী হৌরকফম অমসুং তিলহৌদুগী মচু খঙবা ঙম্মী। খুদম ওইনা হায়রবদা পাটনা রেদ, পাটনা হ্বাইট, পুনে রেদ, নাসিক রেদ, বেল্লারি রেদ অসিনচিংবনি। আর্লি গ্রানো, পুষা রেদ অমসুং পুষা রত্নার হায়রিবা মখল অহুম অসিদি এল এ আর আইনা শখঙলবা ভেরাইটিশিংনি।

তিলহৌদি নিংথম ঋতুদা হৌবা মহৈ মরোংনি। মরু (বল্ব) নীংথিনা কানবগীদমক্তদি খরা শাবা তেম্পরেচর অমসুং অশাংবা নুংথিলগী মতম দরকার ওই। মরূ (সিদ) লোক্লবা তিলহৌশিংদদি নভেম্বর থা য়ৌদ্রিঙৈদা ঙন্না লিংথোকপা মখল অয়াম্বা মপান শাগল্লি।

লৈহাও মখল অয়াম্বদা তিলহৌ থাবা য়ারবসু ঈশিংগী ইনিল মরাংকায়না লৈবা মফমদনা হেন্না ফৈ। য়াম্না শীনবা লৌফমদা পক্লদে। পি ঐচ ৫.৮ দগী ৬.৫ ফাওবগী মনুংদা তিলহৌ থাবা য়াই।

তিলহৌসি চারা ওইনা হুল্লগা কোন্না অমুক লিংথোক্লে। অদুবু লিংথোকপগী খূৎলং ফংবা ৱাগদবা লৈরবদি লৌফম–থাফমদা হেক্তা হুনজিনবসু ময়াওনৈ। চারা হুনফমগী অপাকপসি লিংথোক্কদৌরিবা লৌফমদুগী কুন থোকপগী শরুক অমদা ওইগনি। মরূ (সিদ) কিলো ৮ দগী ১০ ফাওবা হুল্লবদি পরি অমা লিংবা ওক্লবা চারা ফংহনবা ঙমগনি। লিংথোকপগী মহুত্তা লৌফমদা হেক্তা হুনজিনগে হায়রবদি পরি অমগী জাগাদা কিলো ২৫ অমুক চংহনগনি। অদুগা চয়োল ৬ তগী ৮ ফাওবগী মনুংদা অকুঙ অরন শেম্বীগনি। ওক্টোবরগী ময়ায় চল্লকপদগীনা নভেম্বর লোইরকপা ফাওবগী মনুংদা তিলহৌগী চারা হুনবা ফৈ।

চয়োল ৮ দগী ১০ ফাওবগী চারাশিংনা লিংথোকপগী চপ–চারবা মতাঙনি। দিসেম্বর অমসুং জনুৱারী থাগী হৌরকপদা লিংথোকপা য়ানবা হোৎনগনি। ঙন্তা লিংথোকপদা পোখোক্তি হেনগৎহনবা য়াই অদুবু মপান শাৎপগী মশীংদি হেনগৎহনগনি। পাম্বীশিংগী চাওগদবা মখলগী মতুংইন্না লিংবা মতমদা পাম্বী অমগা অমগা লাপ্নগদবা চাং অদু সেন্টিমিটর ১০ দগী ১৫ ফাওবা ওইহনবা য়াই।

পোখোক য়াম্না লৈনবগীদমক্তা মখোঙদা নাপী হৌহন্দনবা চেকশিনগদবনি। তিলহৌদি মরা য়াম্না থেন্না চৎলি। মরা অদু ককথৎখ্রবদি মরুগী চাউবা ৱাৎকনি। মরম অদুনা মখোঙ শোম্বা মতমদা য়াম্না থেন্না লৈরিবা মরাশিংদু শোক্তনবা হোৎনবগী মথৌ তাই। ঈশিং চনবগী মশীংদি লৈপাক্কী মওং অমসুং নোং চীংগী ফিভমগী মখা পোনগনি। লৈপাক অদু হেক ঙম্বমখৈ ঈনিল লৈহনগনি। মনাশিং অদুনা লোথরক্লবা কান্দদি ঈশিং অমুক চাইবিররোই।

তিলহৌ পরি ১ থানবা মফমদা ষন্থি ষণয়ুংগী হার টন ২০ হায়বদি ষণগাড়ী মপোৎ ৪০ অমুক হাপচিল্লগা লৈপাক্তা নিংথিনা খোইজিনবীগদবনি। নাইট্রোজেন কিলো ১২৫, ফোসফরস কিলো, ৬০ অমসুং পোটাশ কিলো ১০০ পরী অমদা চঙগনি। হায়রিবা চাং অসি য়ৌনবা হার ওইনা য়ুরিয়া কিলো ২৭৭, সিঙ্গল সুপর ফোসফেট কিলো ৩৭৫ অমসুং লিংথোক্লবা মতুং থা অমা লৈরগা হাপ্নবা খাকহৌরগা, লেমহৌরিবা অতৈ অতোপ্পা হারশিং অদুদি থাদ্রিঙৈগী মমাঙদা লৈপাক্তা চাইশিনবীগদবনি।

চনমসু তিলহৌনা ফবা মফম খুদিংমক্তা নিংথিনা অদুমক হৌবা ঙম্মী। তৌবতবু চনমদি নিংথমথা অমসুং কালেন্থাগী অইং–অশানা চাংচৎ অমদা লৈবা মফমদনা হেন্না ফজনা হৌবা ঙম্মী। মসিসু তিলহৌগুন্না নিংথম থাগী পাম্বীনি। লৈবাক লৈহাওগী চানবা মফমসু তিলহৌগা চনমগা অমত্তনি। হেক খেন্নবা হায়ববু তিলহৌদগী চনন্না লৈহাও হেন্না লৈবা মফম পাম্বা হেল্লি।

চনমদি মরু (বল্ব) দগী মচা মচা শেত্তোক্লগা লৌফমদা হকথেংননা থাই। পরি অমা থাবদা শেত্তোক্লবা মচা কিলো ৩৫০ দগী ৫০০ ফাওবগী চাংদা চঙবা য়াই। পোখোক হেন্না ফংনবগীদমক কাঙখুল অমগা অমগা সেন্টিমিটর ৭.৫০ লাপ্নহল্লগা পরেং অমগা অমগনা সেন্টিমিটির ১৫ লাপ্নহনবা য়াই। তম্পাক্কী লমদমশিংদা সেপ্তেম্বরদগীনা নভেম্বর ফাওবগী মনুংদা চনম থানৈ।

তিলহৌ পরি অমদা টন ২৫ দগী ৩০ ফাওবা থোকই অদুগা চনন্না টোন ৬ তগী ১০ ফাওবা থোকই।

লায়না তীলনাগী মতাংদসু অনী অসি অমত্তনি। লৌফমদা তাগনবা লায়নাশিংদি দাউনি মিলদিউ অমসুং পরপলব্লোটচনি। অদুগা ব্লেক মোল্ড অমসুং বেক্টরিয়েল রোট হায়রিবশিং অসিদি লীবা মতমদা নাগনবা লায়নাশিংনি। ওনিয়ন থ্রিপ্স, মেগোট অমসুং লিফ মাইনর হায়রিবশিং অসিনা মখোয়দা তাগনবা তীলশিংনি।

# লৌ তাদ্রৈঙৈদা লৌফম শেংদোকপা

**ৱজমনি থৌদাম**

লৌ লোকখ্রবা মতুংদা লৌমী খরনা লৌফমদা চরু ইচাই চাইথোকই, লৌশিন্দনা, নিংঙাইদনা থমই অমসুং লৌফমদা অদুম্মক মৈ থাদোকপা নৎত্রগা হুন্দোকপা ফাওবা য়াওই। লৌফম লৌফমদা অকংবা চৈয়েফম লৈত্রবা মতমদা, লৈপাক পেৎলিঙৈদা লৌ য়ৈথবা য়ানবা ফকলেন্দা ঈশিং অমদি লৈনাঙ ফাওগৎলক্তনবা ফকফমগী চরু য়াম্না থানা থাখিবা য়াওই। অসিগুম্বা ফকফমগী চরু ফুদিৎ থুনা খোমদোকহৌদ্রগদি মতম শাংনা লৌফম খোইদোকপা য়াদনা চোত্তুনা চৈয়েফম অদু লৈথগল্লি। অসিগীসু মথক্তা লৌশিন্দবা, ইচাই চাইনা, হুন্দোক্তুনা থম্বা চরু পৈফম্না অমুক্কসু হেন্না লৈপাক অদু চোৎহল্লি। হুন্দোক্তুনা থম্বা চরুনা পৎথ–পুমথরক্লগা লৌফমদা কান্নবা খরদি লৈ অদুবু মতাং অসিদা লৌফমদা চরু লৌশিন্দনা থম্বনা কান্নবদগী মাংজবনা হেল্লি। চরুশিং ইচাই চাইনা লৈরবদি মমুৎ তানা শম্পোৎ খোইদোকপা য়াদে। ট্রেক্টর, পৱার টিলর, শনগী লাঙ্গোলনা শম্পোৎ খোইরকপদা খুরৌ চেল্লি, শিন পাংদে, অদুগীসু মথক্তা চরুনা কুপশিন্দুনা লৈবা অপেৎপা লৌফমগী শরুকশিংদু অহানবা শম্পোৎ খোইদোকপদা য়াওবা নংনদে, থাংজেং নাইদুনা লৈহৌই। অমরোমদা অমুকসু ফকফম অদু কংমনখ্রবদি খোইদোকপদা শিকই। লৌফম খোইদোকত্রিঙৈদসু হুন্দোক্লবা চরু অমসুং চরু ফুদিৎ লৌফম অদুমক্তদা মৈ থাদোকপা য়াওই। মৈ থাদোকখ্রবা মতুংদা লৌফমদা লৈহৌবা উৎ লৈমাইদা খরা পকহৌবা নত্তনা অয়াম্বনা নুংশিৎনা হুমদোকখি। চরু মৈ থাখিবা লৌফম অদুদা লৈহৌদে, উত্তা য়াওবা ফৌ পাম্বীগী মরু ওইবা মচিঞ্জাকশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা পোটাস চন্নফম খঙদনা অরেম্বদা মাংহনখি। চরুদা য়াওবা নাইট্রোজেন, ফোসফরস অনী অসিসু চরু মৈ থাদোক্লবদি অরেম্বদা মাংহল্লি।

মতম শাংথনা লৌ লোকখ্রবা মতুংদা লৌফমদা চরু লৌশিনদনা থম্বদগী উচি চংলক্তুনা লৌরি মাংহল্লি। লৌরিদা হুৎতুনা মকোন শাজিল্লি অমসুং চাদা নাওদাদুনা লৈথগল্লি। অসুম্না ইথা থাজদনা অতোংবা কাংথক নাইবা, চীংয়া তময়াগী লৌফমশিংদা চহী খুদিংগী উচিনা হুৎতুনা লৌরি মাংহনবদগী ঈশিং তারক্লগা শেমজিন্নবা হোৎনবদা লৌমীশিংনা চিরবা তানফমদা অৱাবা কয়া মায়োক্লে। অৱাংবা লৌরিনা অনেম্বা লৌরিদগী উচি ইনবা হেল্লি। লৌ লোকখ্রবা মতুংদা লৌফম তরু তনান্না থমগনি। চরু ফুদিৎ শেংনা খোমদোক্কনি।

লৌ লোক্লবা ইথোঙ ফাৎপা হৌরকপদগী ঈফুৎ থোকপা, ঈশিং লৈবা লৌফম ইরম হন্দুনা ঈশিং চিংথোক্কনি। মরম লৈতনা লৌ পান্দ্রিঙৈগী তাল্লক্তা লৌফম নৈবা (থীৎপা) হৌদ্রিঙৈ ফাওবা, ঈশিং থমলোইদবনি লৌফম কংনা থম্লবা হোৎনগদবনি। চহী চুপ্পা ঈফুৎ থোকপা, ঈশিং লৈবা লৌফমশিং কালেন্দা লৌফম কংনা থম্লবা হোৎনহৌদ্রগদি ঈশিং তারক্লগা ট্রেক্টর, পৱার টিল্লর, শন্নচিংবনা শম্পোৎ খোইবা, উকায় তকপা চংবা ঙমদবা য়াম্না পুৎথবা লৌফম য়াওই।

লৌ লোকখিবগা লৌফমদা ঙাপ্রুম লৈরবদি লৌফমদা লৈবা ঙাপ্রুম শেংনা ফাদোকহৌগনি। লবুক্তা লৈবা ঙাপ্রুম্না ঈশিং তারক্লগা মচা কোক্লককই মশিং য়ামখৎলকই, ঙাপ্রুমশিং অসিনা লৌরি হুৎলী, খঙহৌদনা লৌপাক্কী ঈশিং কংহল্লি, নাপী হৌহল্লি। অতোপ্পা মীওইনা লৈনুংদা লুনা মকোন হুৎতুনা লৈবা ঙাপ্রুম ফাননবা তানবদা লৌরি য়াম্না মাংহল্লি, লৌপুগা ঙাপ্রুম তানবা মীওইশিংগা খৎন–চৈনবা থোকপা য়াবগী লম্বী অমসু পী। মরম অসিনা লৌফমদা ঙাপ্রুম লৈহল্লোইদবনি।

লৌফমগী অকোয়বদা উ–ৱা হৌজিন্দুনা উরুম লাংলবদি উশানচিংবা থাদোক্কনি। লৌফমবু মতম খুদিংদা নুংশা ফংনবা শেম শাগনি। মতম শাংনা নুংশা ফংবা লৌফম্না মতম তেন্না নুংশা ফংবা লৌফমদগী ফৌগী চাথোক হেল্লি। অয়ুক্তা নুংশা মঙাল ফংবা লৌফম্না নুংথিলদা নুংশা মঙাল ফংবা লৌফমদগী চরোং চুম্বসু হেল্লি।